# সি সি মীট – মুভানলাই এঠলেটিকনা এফ সি লমজাওবু মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৪ দগী ইম্ফালগী মপাল কাঙজৈবুংদা মপালগী টিম ২ য়াওনা পূন্না টিম ৩২ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৬২ শুবা সার চুড়চান্দ সিংহ, কে সি এস আই, সি বি ই নীংশিং ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯–২০দা মুভানলাই এটলেটিক( এম এ) কাঙপোকপী মায় পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।



২৩ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি এফ সি লমজাও ককচিং অমদি মুভানলাই এঠলেটিক ( এম এ) কাঙপোকপীনা শান্নখিবা টুর্নামেন্টগী অহুমশুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মুভানলাই এঠলেটিকনা এফ সি লমজাওবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

এফ সি লমজাওগী মায়কৈদগী এম নোংদম্বনা ওফেন্সিপ লাইন অপ্তা অমসুং এল বোরিসনা দিফেন্স লাইন অপ্তা লুচিঙদুনা অকনবা ষ্ট্রার্টিং এলবেন অমা শেমখি অদুগা মুভানলাই এঠলেটিককী মায়কৈদগীসু বোনিসন নোংমাইথেমনা ওফেন্সিপ লাইন অপ্তা লুচিঙদুনা শান্নখি।

মেটচ অসি হৌরকপদগী এম এ কাঙপোকপীনা অচেৎপা থজবা অমগা লোয়ননা শান্নবা হৌরকখিবনা এফ সি লমজাওগী মায়কৈদা মশিং খঙদনা গোল এটেম কয়া তৌখ্রবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

মেটচকী পুঙ্খায় ফাওবা নাকল অনীমক্কা লম্বা তৌন্দুনা গোল একাউন্ট হাঙবা ঙমদনা লাকখ্রবসু মিনিট ৩১ চৎপদা এম এ কাঙপোকপীগী ক্রিভান হমারনা য়েৎথংবা ৱিংলোমদগী এফ সি লমজাওগী দিফেন্দর লান্থোক্তুনা ৱাংনা খায়রকপা ক্রোশিংদা জর্সি নম্বর ৫ পাওলেন মাঙ তুবোইনা বোল অদু নীং থিনা শমজিন্দুনা লমজাওগী গোল কিপ্পর কে সনাতোম্বাবু তুংওইন্নরমদুনা নেটকী অহাঙবা মনুংদা চঙহনখিদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

হাল্ফ মমাঙদা গোল শোথরিবা এফ সি লমজাওগী মায়কৈদগী গোল অদু হন্দোক্নবা হোৎন্দুনা শান্নখ্রবসু মখোয়গী ওফেন্সিপ শান্নরোইশিংনা ফঙখিবা খুদোংচাবশিং অদু নীংথিনা ফিনিশিং পীবা ঙমখিদবনা অরেম্বা তাখি।

মুভানলাই এটলেটিক কাঙপোকপীনা অহানবা হাল্ফতা হৈথোই শীংথোইবা মতৌদা শান্নখ্রবা মতুংদা অনীশুবা হাল্ফতসু লাকশিন্না অদুমক শান্নবা হৌরকখি।

এম এগী বোনিসন নোংমাইথেমনা লমজাওগী ওইথংবা দিফেন্স লোমদগী মশিং থীঙবদনা বোল পূশিন্দুনা লমজাওগী অহোবা অদু কয়ারক হন্না ৱার্নিং তৌখ্রবসু লমজাওগী শান্নরোইশিংনা থওইদনা অদুমক শান্নখিবগী খুদোংচাবা লৌদুনা মেটচকী মিনিট ৭১ চৎপদা এল বোনিসন নোংমাইথেমনা বোক্স মতুংদা বোল পায়নবগীদমক য়াম্না কন্না অঙম তান্নখি। অমসুং বোনিসননা বোল অদু মহাক্কী টিমমেট জর্সি নম্বর ১০ ক্রিভান হমারগী চেলক্কদবা মায়কৈদা শেমলকখিবা ফজরবা খুদোং চাবা অমদা হমারনা থিংবা ঙমল্লরোয়দবা অকনবা ষ্ট্রাইক অমা এফ সি লমজাওগী নেট মনুং তম্না থোমজিন্দুনা মহাক্কী টিমবু ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

এফ সি লমজাওনা গোল অমা হন্দোক্নবগী তাঞ্জা অমা ফঙখি অদুবু এস রোহিটকী এটেম অদু পোষ্টতা পান্দুনা থক্তোকখিবনা অরেম্বা তাখি।

মুভানলাই এটলেটিকনা অরোয়বা মীকূপ ফাওবা খোঙফম চেৎনা লেপ্পবা হোৎন্দুনা দিফেন্স লোমদা হেন্না মথৌ তৌদুনা এফ সি লমজাওনা চথরকখিবা এটেকশিং অদু ঙাথোক্তুনা অহানবা অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা পাওলেনমাঙ অমসুং ক্রিভানহমারগী গোলশিংনা মুভানলাই এটলেটিকপু ক্বার্টর ফাইনেল তম্না পূশিনখি।

মেটচ অসিদা এফ সি লমজাওগী জর্সি নম্বর ১ কে সনাতোম্বা, জর্সি নম্বর ৬ এন সোমোকান্ত অদুগা জর্সি নম্বর ৪ এল বোরিস অমসুং মুভানলাই এটলেটিককী জর্সি নম্বর ৫ পাওলেনমাঙদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিএস ঐচ সুরেস সিংহ, এস ওনিল সিংহ , থাও জেজানি চোথে অমদি কে ঐচ রঞ্জিৎ সিংহনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

| Next Match |
| --- |
| 27/12/2019 |
| Match No. 24 |
| NISA vs TRAU |
| Time : 1.45 pm. |

# টি সুবোল নীংশিং টি–২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট হৌখ্রে, এল সি সি সি লিল্লোং চজিং মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন ( এম ভি সি এ) না শীন্দুনা ঙসিদগী লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দা মরিশুবা টি সুবোল নীংশিং টি–২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯–২০ টিম ৮ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা শান্নবা হৌখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী পেট্রোন সি ঐচ চাউবা, মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এন ইন্দরজিৎ, মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী পেট্রোন দব্লিউ ভক্তরাজ, মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী এডভাইজর আর কে বিধুর, মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট এ বিরেন্দ্র, ভাইস প্রসিদেন্ট এ মোহনদাস অমদি টুর্নামেন্টগী দোন্নর তোঙব্রম ওঙবী রোমোলানা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা ঙসি গ্রুপ–এগী দি এস য়ু ক্বাকৈথেল অমদি এল সি সি সি লিল্লোং চজিংনা শান্নখিবা মেটচতা এল সি সি সিনা দি এস য়ুগী রন ১০৪ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা দি এস য়ু ক্বাকৈথেলনা তোস ঙমদুনা বোল্লিং হন্না খনবদা এল সি সি সি লিল্লোং চজিংনা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ২ তুরগা রন ১৮৬ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা দি এস য়ু ক্বাকৈথেলনা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৮২ খক লৌদুনা মেটচ অসি রন ১০৪ দা মায়থিবা নঙখি।

এল সি সি সি লিল্লোং চজিংগী বেট্টিংদা মজিবুর রহমনা বোল ৭২ দা রন ১০০, শ্রীনিবাসননা বোল ২৪ দা রন ৪১ অমসুং নন্দকুমারনা বোল ২০ দা রন ৩১ লৌখি। দি এস য়ু ক্বাকৈথেলগী বৌল্লিংদা বসন্তনা ওভর ২ দা ৱিকেট ১ লৌখি।

দি এস য়ু ক্বাকৈথেলগী বেট্টিংদা সোমোরজিৎনা বোল ৪৭ দা রন ৩৩ অমসুং বসন্তনা বোল ১০ দা রন ১১ লৌখি।

এল সি সি সি লিল্লোং চজিংগী বোল্লিংদা জিটেননা ওভর ২ দা ৱিকেট ২, জিলানা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২, ইকবালনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২ অমসুং মজিবুর রহমনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচতা এল সি সি সি লিল্লোং চজিংগী রন ১০০ অমসুং ৱিকেট ২ লৌখিবা মজিবুর রহমননা তাখি। শান্নখিবা মেটচ অসি শেরাম কেমজিৎ অমদি জয়েন্তনা অম্পিয়র ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েং গ্রুপ–এগী সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমদি মোদেল ক্লব চিঙামখাগা শান্নগনি।

# মণিপুর বেদমিন্টন টিমনা টাইতল লৌখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা অন্ধ্র প্রদেশকী রজামুন্দরিদা থা অসিগী ২৪ দগী ৩০ ফাওবা চথরিবা ২৪ শুবা ইন্টর ষ্টেট ইন্টর জোনেল অমসুং জুনিয়র নেস্নেল বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপ ২০১৯গী টাইতল মণিপুরগী বেদমিন্টন টিমনা লৌখ্রে। মণিপুরনা কাঙলূপ অসিগী টাইতল লৌবা অনীরকশুবা ওইরি।

ফাইনেলদা মণিপুরনা উট্টরখনবু ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়নসপ অসিগী টাইতল লৌখি। ফাইনেলগী বোইজ সিঙ্গলসতা মৈরাবা লুৱাংনা উট্টরখনগী দরুফ রাৱাদপু ২১–১৮, ২১–১৭দা মায়থিবা পীখি।

গালর্স সিঙ্গলসতা উট্টরখনগী উনাটিবিসিকনা কে এস ঐচ মহেশ্বরিবু ২১–১৩, ২১–৭ দা মায়থিবা পীখি।

বোইজ দবলসতা কে দিঙ্কু অমদি কে ঐচ মঞ্জিৎকী জুরানা উট্টরখনগী বৱেস অমসুং সোহিলগী জুরাবু ২১–১১, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীখি।

গালর্স দবলসতা উট্টরখনগী অধিটি ভাট অমদি উনাটিগী জুরানা কে এস ঐচ মহেশ্বরি অমদি কে প্রিয়াগী জুরাবু ১৫–২১, ২১–১৫, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীখি।

মিক্স দবলসতা কে দিঙ্কু অমদি কে প্রিয়াগী জুরানা উট্টরখনগী দরুফ রৱাদ অমদি অধিটি ভাটকী জুরাবু ২১–১৪, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীখি।

মণিপুরগী টিমনা চেম্পিয়নসিপ অসিগী টাইতল লৌবা ঙমখিবদা মণিপুর বেদমিন্ট এসোসিয়েসননা নুঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

# ৱাই আই সিনা নেসু খুরাইবু থোয়খ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ রাইজিং নোলেঞ্জ ক্লব খুয়াথোংনা শীন্দুনা থা অসিগী ২১ দগী টিম ১৩ না গ্রুপ ৪ থোক্লা শরুক য়াদুনা খুয়াথোংদা চথরিবা মঙাশুবা ইমা মনিশং নীংশিং ষ্টেট লেভেল ফোর এসাইদ মিনি বোইজ (অন্দর–৩৫) কে জি ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ৱাই আই সি কৈশামথোংনা নেসু খুরাইবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা ৱাই আই সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ মার্টিননা মিনিট ২৩, ৩৬ অমদি ৩৮ চৎপদা চনখি। মায়থিরবা নেসু খুরাইগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৯ মার্চনা মিনিট ৩৯ দা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা এন ৱাই কে থাংমৈবন্দ অমদি গোল্ডন এফ সি (বি) পেলেস কম্পাউন্দনা শান্নখিবা মেটচতা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

অহুমশুবা গ্রাউন্দসু আর কে সি (বি) খুয়াথোং অমদি ওল এফ সি (বি) উরিপোক সোরবোন থিঙেননা শান্নখিবা মেটচতসু গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি।

হয়েংগী অহানবা গ্রাউন্দা গ্রুপ–সিগী থাউ (এ) অমদি আর কে সি (বি) খুয়াথোংনা নুংথিল পুং ১ তাবদা শান্নগনি। অনীশুবা গ্রাউন্দনা গ্রুপ–দিগী থাউ (বি) অমদি ওল এফ সি (বি) উরিপোক সোরবোন থিঙেননা নুংথিল পুং ২ তাবদা শান্নগনি অদুগা অহুমশুবা গ্রাউন্দনা গ্রুপ–বিগী গোল্ডন এফ সি (বি) পেলেস কম্পাউন্দ অমদি ঐচ বি এনা নুংথিল পুং ৩ তাবদা শান্নগনি।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটি নুপাগী টেন্নিস টিমনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ ছটিগরগী রাইপুরদা লৈবা পন্দিট রবিসঙ্কর সুক্লা য়ুনিভর্সিটিদা থা অসিগী ১৯ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোকখিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টেন্নিস মেন টুর্নামেন্ট ২০১৯–২০ দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী টেন্নিস মেন টিমনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা ফাইনেল লীগ ষ্টেজ( ইন্টর পুল লীগ) তা য়ুপিগী হিন্দু য়ুনিভর্সিটি বনারাসিবু ২–১ দা, ওড়িশাগী কে আই আই টি ভুবনেশ্বরবু ২–১ দা অমসুং দিফেন্দিং চেম্পিয়ন পন্দিট রাবিসঙ্কর সুক্লা য়ুনিভর্সিটিবু ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। এম য়ুনা পুল –সি নোক আউট ষ্টেজতা ওড়িশাগী সেঞ্চুরিয়োন য়ুনিভর্সিটিবু ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী টাইতল লৌখ্রবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, রন্নর কে আই আই টি ভুবনেশ্বর, অহুমশুবা তাখিবা পন্দিট রাবিসঙ্কর সুক্লা য়ুনিভর্সিটি অমসুং মরিশুবা তাখিবা বনারাজ হিন্দু য়ুনিভর্সিটি হায়রিবাটিমশিং অসি পুনেদা লৈবা সাবিত্রিবাই ফুলে পুনে য়ুনিভর্সিটিদা ইং ২০২০ জনুৱারি ৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি মেন টুনামেন্ট ২০১৯–২০গী দমক ক্বালিফাইদ ওইখ্রে।

লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টেন্নিস মেন টিম অসি কে আই আই টি ভুবনেশ্বরদা ফেব্রুৱারি ২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা খেলো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমস ২০২০গী ক্বালিফাইদ ওইখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবা শান্নরোইশিং অদুদি– মোর্দন কোলেজগী লুচিং লুখাম, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ঐচ বেকর, দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী অটাপ সিংহ অমদি ঐচ শেলানঙম মৈতে অমদি মণিপুর ইন্সটিট্যুদ ওফ টেক্নোলোজিগী রজিব থিয়ামনি। টিম অসি দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস এম য়ুগী এল গোকুল শর্মানা মেনেজর অমসুং দিঙ্কু ইরেংবমনা কোচ ওইনা লুচিঙখি।

# সেমি ফাইনেলগী লাইন অপ লোয়খ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন (আই ই দি এফ এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ২০ দগী টিম ৭ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা ৱাই দব্লিউ সি প্লে গ্রাউন্দ থম্বালখোংদা চথরিবা কোইজম মাধোপ নীংশিং সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯–২০গী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা থা অসিগী ২৭কী অয়ুক পুং ১১ দা এস এস সি শেক্তা অমদি য়ু দি ও হৈঙাংগা শান্নগনি অমসুং অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা বি এস য়ু কৈরাও অমদি কে এস দি সি খোমিদোকগা শান্নগনি।

ঙসি শান্নখিবা লীগ অসিগী ৯ শুবা মেটচতা ষ্টার ক্লব মোইরাং কম্পুনা এফ সি ইম্ফাল সিটি কোংবাবু গোল ৭–০ দা মায়থিবা পীখি। গোলশিং অদু এল জে ান্সননা ২, এস রাকেস, এল মহেস, বিরজিৎ, রোমিও অমদি এন হেমচন্দ্রনা চনখি।

# ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল অমদি আই সি এস এ ইরেংবন দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ডাইরেক্টোরেট ওফ য়ুথ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা পূন্না শীন্দুনা মমাঙ থা ১৬ দগী টিম ৮ না শরুক য়াদুনা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা শান্নবা হৌখিবা অন্দর–১৭ খেলো ইন্দিয়া ৱুমেন’স ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি মপাল কাঙজৈবুংদা শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল অমদি আই সি এস এ ইরেংবন দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এ এম এম এ অন্দ্রো মায় পাকখ্রে।




লীগ অসিগী ২৩ শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা মেটচ অসিদা নাকল অনীনা লম্বা মান্না শান্নখ্রবসু গোল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি টি ঐচ কিরনজিৎ, এস ওনিল, দব্লিউ ইবোয়াই অমদি এল গোকুলানন্দনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

২৪ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা এ এম এম এ অন্দ্রোনা দব্লিউ এফ এ ককচিংবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা এ এম এম এ অন্দ্রোগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১৭ সি ঐচ অঞ্জলিনা মিনিট ৬০ দা চনখি।

মেটচ অসি এল গোকুলানন্দ, কে ঐচ রঞ্জিৎ, দব্লিউ ইবোয়াই অমদি টি ঐচ কিরনজিৎনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# অনীশুবা ফেজগী ফুটবোল কোচিং প্রোগ্রাম হৌরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ ফোমর ফুটবোল প্লেয়র এসোসিয়েসন ( এফ এফ পি এ)না শীন্দুনা পাঙথোকপা চহী ৮দগী ১২ ফাওবগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী ওইবা ফুটবোল কোচিং প্রোগ্রামগী অনীশুবা ফেজ ইং ২০২০ জনুৱারি ২ শুবা চয়োলদগী ইষ্টন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ( ই এস য়ু) ফুটবোল গ্রাউন্দ পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফাল ইষ্টতা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

কোচিং প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোইশিংনা মেন্সিলবা ফোর্ম এফ এফ পি এগী সেক্রেটরীদা লাক্তুনা ইং ২০২০ জনুৱারি ১২কী নুংথিল পুং ৩ দগী ৬ ফাওবগী মনুংদা পীশিনবা য়াগনি।

অনীশুবা সেকেন্দ ফেজ ফুটবোল কোচিং প্রোগ্রাম অসিগী অকুপ্পা মরোলগীদমক মপাল কাঙজৈবুংদা লৈবা এসোসির্য়েসনগী ওফিসতগী খঙল্লবা য়াগনি।

S CHAOBA MEMORIAL ENGLISH SCHOOL (SCM)
SINGJAMEI KONGBA ROAD, BHEIGAPATI LEIKAI
Admission Opens
Session- 2020
From Kids to Class IX
Boarders Admission fee will be refunded if no improvement till FAI Exam
Free admission for all class if admitted before 31st December
FREE ADMISSION FOR SIM KIDS



| Subject | Vacancy | Qualification | Salary |
| --- | --- | --- | --- |
| 1. Science | 02 | Master | 5000-8000 |
| 2. English | 02 | Master | 5000-8000 |
| 3. Warden Girls | 03 | Grad./Master | 8000-12000 |
| 4. Warden Boys | 03 | Grad./Master | 8000-12000 |
| 5. Kids | 01 | Rhymes Training | 4000-6000 |

Last Date of form submission : 13th January 2020
Date of Interview : 15th January 2020
Contacts no: 8256963847 / 8414822386

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com